## এলুম্নাই মীট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩(ঐচএন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটি এলুম্নাই এসোসিএসন (এম য়ু এ এ)না শীন্দুনা চহীসিগী নবেম্বর ৪ অমদি ৫ দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা কনফরেন্স কম এনুএল এলুম্নাই মীট ২০১৭ পাঙথোক্লগনি হায়না এম য়ু এ এগী সেক্রেটরি অমদি কনফরেন্স কনভিনর ডো. রাজমনিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। কনফরেন্স অসিগী থিমদি, ইমর্জিং ইস্যু ওফ ক্বালিটি এদ্যুকেসন ইন মণিপুর হায়বা হীরম অসিনি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এলুম্নাইশিং, এদ্যুকেসনিষ্ট, রিছার্সর অমদি স্কোলারশিংনা থৌরম অসিদা শরুক য়াবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## নীংশিং থৌরম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩(ঐচএন এস): কম্মেমোরেসন ওফ বার্থ সেন্টিনরি ওফ ডো. এম এস সুববুলক্ষ্মী নীংশিং থৌরম থা অসিগী ১৬ তা গুরু কুল্লা কলচরেল একাদেমি খুরাই কোংপাল সাজোর লৈকায়না শীন্দুনা সঙ্গিত কালা সঙ্গম খুরাই লম্লোংদা পাঙথোক্লগনি হায়না গুরু কুল্লা কলচরেল একাদেমিগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী অৱাংবা মনা ভারত রত্না পীদুনা ইকায় খুম্নখ্রবা শৈশকপী অসিবু নীংশিংবগী থৌরম অসিদা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেম্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা চীফ গেষ্ট, কে ঐচ নিমাইচরননা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াগনি। পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি হোম এল সুসিন্দ্রোনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াগনি। থৌরম অসিদা গুরু কুল্লা কলচরেল একাদেমিনা পুঙ চোলোম, কে শান্তনা ক্লাসিকেল তবলা সঙ্গৎ, আর কে গৌরসনা অমদি মহাক্কী কাঙবুনা খুল্লং ঈশৈ, চাওবা অমদি মাগী কাঙবুনা নুপী পালা, এ স্বাই শর্ম্মনা শারোড রিসাইতেল, সরগমনা ম্যুজিকেল সিম্ফোনি, আর্বিন অমসুং বিদ্যামনিনা মণিপুরী মোদর্ন সোং খূদোল তমগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## সী এম রিলিফ ফন্দদা তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩(ঐচএন এস): ঈশিং ঈচাওগী অৱাবা তারবশিংদা মতেং পীনবগীদমক মাও য়ুনিয়ন ইম্ফালনা চীফ মিনিষ্টর রিলিফ ফন্দদা লুপা ৫৫,০০০ তেংবাংখ্রে। চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসি চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা মাও য়ুনিয়নগী টিম অমনা শেনফম অসি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা খুৎশিন্নখি। য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী অসিগুম্বা তেংবাং অসি পীরকপগীদমক চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা থাগৎপা ফোঙদোকখি হায়নসু মখা তারি।

## ইনোগ্রেসন তৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩(ঐচএন এস): হেদ ক্বার্টরস আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা ১১শুবা অসাম রাইফলসনা মোরেদা লৈবা পব্লিক সিমিত্রিগী বাউন্দরি ফেন্সিং বার্ব ৱায়রনা তৌখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১২ দা শঙ্গাখ্রে হায়না আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, সিমিত্রি অসি নীংথিনা থম্মবগীদমক ফেন্সিং খাখিবনি। ইনোগ্রেসন ফঙ্কসন অদুদা ভিলেজ চ্যেরমেনসু শরুক য়াখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিপ দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩(ঐচএন এস): মণিপুর সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি কাউন্সিল (মাষ্টেক)না শীন্দুনা ফূদ প্রোসেসিংগী মতাংদা টেক্নোলোজি বেজ ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিপ ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা থা অসিগী ২৯ দগী হৌরগা নবেম্বর ১১ ফাওবা ইন্টিগ্রেটেদ রুরেল দিভলপমেন্ট সার্ভিস ওর্গনাইজেসন, ৱাংজিং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা পাঙথোক্লগনি হায়না মাষ্টেককী দিরেক্টরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

থা ৬ কী ওইবা টেক্নোলোজি বেজ ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিপ প্রোগ্রাম অসিদা য়াওনিংবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্তগী কেন্দিদেটশিংনা এপ্লিকেসন ফোর্ম মাষ্টেককী ওফিসতগী লৌবা য়াগনি। আই আর দি এস ও ৱাংজিংদগীসু লৌবা য়াগনি। এপ্লিকেসন ফোর্ম অসি মাষ্টেক নৎত্রগা আই আর দি এস ও ৱাংজিংগী ওফিসতা সেপ্টেম্বর ২৫ ফাওবগী মনুংদা পীখৎকদবনি। কেন্দিদেটশিং খন্নবগী ইন্টভিয়ু অমা ইন্টিগ্রেটেদ রুরেল দিভলপমেন্ট সার্ভিস ওর্গনাইজেসন ৱাংজিংদা থা অসিগী ২৭কী অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা পাঙথোক্কনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# মণিপুর লৈঙাক্লা ম্যান্মারগী মীতৈশিংবু প্রোটেক্সন পীবীয়ু : মেসিয়া

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩(ঐচএন এস): মণিপুর লৈঙাক্লা ম্যান্মারগী মীতৈশিংবু প্রোটেক্সন পীবীয়ু হায়না মৈতৈ য়ুঠ ফ্রন্ট সাউথ ইষ্ট এসিয়া (মেসিয়া)গী প্রসিদেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা ম্যান্মার লৈবাক্কী নেনা তাদবা ফীভম্না ম্যান্মারদা লৈরিবা মীতৈশিং খম থেংনা অৱাবা মায়োক্লবা য়াওরে। রোহিনজা মুস্লিম অমদি বেঙ্গলি মুস্লিমশিংগা নক্ননা লৈবা মীতৈশিং ফাওবা মুস্লিম গ্রুপ অমদি মখোয়গী মীশিংনা এটেক তৌদুনা ইচিল-ইনাও অহুম শোকহনখ্রে। শোক্লবা ইচিল-ইনাও অহুম্মক ঙায়ান চোং ভিলেজ, রাখেনদগী ঙাক্তনি। মরাল লৈজদবা মীতৈশিংবু ওৎ-নৈদুনা অকি-অখং পীববু মেসিয়ানা অৱাংবা থাক্তা কন্দেম তৌই।

ম্যান্মারদা লৈরিবা মীতৈ ফুরুপকী ইচিল-ইনাওশিংবু মণিপুর অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীয়ু। অৱাবশিং থম্মোয় শেংনা লৈঙাক্লা শরুক য়ারি খঙহনবীয়ু। লৈঙাক্লা ম্যান্মার লৈঙাক্তা চেপাউ থাদুনা ঐখোয়গী ইচিল-ইনাওশিং হেন্না প্রোটেক্সন তৌ-হনবীয়ু। ইচিল-ইনাওশিংবু থম্মোয় চাউথোকহনবীয়ু। ম্যান্মার অমদি বাংলাদেশতা লৈরিবা মীতৈশিংগী ফীভম লৈঙাক্কী মীহুৎ অমা চৎতুনা হকথেংননা থুনমক য়েংশিনবীয়ু। অৱাবা তারবা ইচিল-ইনাওশিংদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পীবা য়াবা পীবীয়ু, মতেং পাংবীয়ু। লৈঙাক্লা লৈবাক অনীগী রিলেসনদা মীৎয়েং চঙবীরগা মেসিয়াদা রিলিফ চৎনবগী অয়াবা পীবীরবদি য়াম্না নুংঙাইগনি। মেসিয়াগা লৈঙাক্লা পূল্লগা চৎপসু য়াই। চোইনা খুন্দাখ্রবা ঐখোয়গী মীতৈশিংনা অৱাবা তারকপদা মখোয়গীদমক ঐখোয় লৈ হায়না চোংথোক্লবদি অমদি চৎতুনা শরুক য়ারবদি মীতৈ ঐখোয়গী ফীভম য়াম্না ফগৎকনি। মদুগীদমক মেসিয়াদা ফোন তৌরকপনি। ফোংনা থবক তৌবা ঙমদ্রিবা মেসিয়াগী সেক্রেটরি জেনরেল ওজা লোয়ুম্বগী ৱা তারবা মতুংদা থল্লিবা ৱাফমশিং অসি লৈঙাক্লা ইকায় খুম্নগনি খল্লি।

রোহিনজা মুস্লিমশিংগী এটেকনা লাঞ্জেন্নরবা মীতৈশিং হেন্না শাফগদবা মফম য়ৌনা লৈবা ঙমদ্রি। শোক্লবা মখোয় অহুম্মক খুলগী এদমিনিষ্ট্রেটরগী য়াথং মতুংইন্না খুলগী অকোয়বা য়েংশিন খোঙচৎ চৎলিঙৈদা রোহিনজা মুস্লিমশিংনা থাঙ অমদি য়োৎচৈনা এটেক তৌরকপনি। মীতৈ খুল ঙায়ান চোং ভিলেজগী য়ূম পূম্নমক কলারসশিংনা মৈনা থাবগা লোয়ননা খুল অদুগী পুলিস ষ্টেসন মনাক নক্লা লৈবা খুল থায়রগোন প্যাতথাত ভিলেজ অমদি ঙায়ান ভিলেজদা লৈবা পুলিস ষ্টেসন য়াওনা মৈ থারে। অসিগুম্বা তানফম অসিদা মীতৈগী হৌরকফম ওইবা মণিপুরদগী কনাগুম্বা অমত্তা তাবীদ্রবদি ইচিল-ইনাওশিং মরুওইনা নহা মশেল পেন্নদবা অমা পোক্লরনি। মণিপুর লেজিসলেটিব এসেম্লিদা লৈরিবা এম এল এশিংনসু হোৎনফম থোকই।

ইপা-ইপূশিংনা থম্লম্বা ঐখোয়গী ট্রিটিশিং নৌনা ইন্দিয়াগী মরুমদা হিংগৎহনবা হায়বসি মণিপুর লৈঙাক্কী হৈ-শিংবদা লৈরে। ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সী এম মমতা বেনর্জীনা কুমজা ২০০৯-১০ দা সেসে রিভরগী মতাংদা মুকখিবা অদু মালেম পূম্বনা ঙকখিবনি।

অমরোমদা, নুমিৎ খরনি অসিদা লোকল টি ভি চেন্নেলশিংদা পাঙথোকখিবা রোহিনজাগী দিস্কসনশিং থাগৎলি। অদুবু মীনুংশি উৎপগী দিস্কসন ওইরবদি তৌদবনা হেন্না ফত্রা খল্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# ককচীং পুলিসনা মফম কয়াদগী য়ু ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩(ঐচএন এস): মণিপুর লৈঙাক্লা ময়াই কাবা চীঞ্জাক মরূ ফংনা মুথৎনবা হোৎনরকপা অমদি মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৫শুবা জেনরেল পঞ্চায়ট ইলেক্সনগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা ককচীং পুলিসনা তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদগী য়ুঙাঙ অমসুং য়ুঙৌ কয়া ফাগৎখ্রে।



ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী এস পি, দল্লিয়ু সিংহজিৎগী লমজিং মখাদা এস দি পি ও ককচীং, টি ঐচ দেশ্বরজিৎনা লুচিংবা ককচীং পুলিসকী কাঙবু অমনা চত্থখিবা ময়াই কাবা চীঞ্জাক ফাগৎপগী খোঙথাংদা য়ুশিং অদু ফাগৎখিবনি। কাঙবু অদুনা ককচীং তুরেল ৱাংমদগী মোইরাংথেম শান্তি (৫০) মপুরোইবা এম শ্যামকেশ্বরদগী মেক দোৱেল লিক্লি ১০, মেক দোৱেল হাল্ফ লিক্লি ১৩, এক্স এক্স এক্স রম লিক্লি ৯, ব্লেন্দরস প্রাইদ লিক্লি ১, ও সী ব্লু তঙ্খায় বোট্টল ৫, ও সী ব্লু পৱা লিক্লি ১১, ভোদকা তঙ্খায় লিক্লি ২, কিংফিশর বিয়র ৮, ফাগৎপা ঙমখি।

অতোপ্পা দ্রাইব অমদা ককচীং পুলিস অমসুং সী দি ওগী অপূনবা কাঙবু অমনা মীওই অহুমদগী লোকল য়ু লিটর ৫৩ ফাগৎতুনা ককচীং এক্সসাইজদা শীন্নখ্রে হায়রি।

ময়াই কাবা চীঞ্জাক মরূ ফংনা মুথৎনবা মণিপুর লৈঙাক্লা চঙশিল্লক্লিবা থৌরাংশিং অমদি পঞ্চায়ট মীখলগী য়েংলগা দ্রাইব অদু ককচীং পুলিসনা চত্থখিবনি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

# ময়াই কাবা দ্রগকা কোন্ননা ফারবা মীওই পুলিসতা শিন্নখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩(ঐচ এন এস): ওল লিলোং এন্টি দ্রগ এসোসিএসননা লেপ্তুনা চঙশিল্লকপা খোঙজংদা থা অসিগী ৯গী নুমিদাংদা এসোসিএসন অসিগী ভোলুন্টিয়রশিং অমসুং লিলোং পুলিসকী অপূনবা টিম অমনা দ্রগকী মফম অমা থুগায়বা ঙমখ্রে। দ্রগকা কোন্না ফাগৎলবা মীওই পুলিসতা শিন্নখ্রে হায়না এসোসিএসন অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ওল লিলোং এন্টি দ্রগ এসোসিএসননা পুলিসকা লোয়ননা চঙশিনবদা মীওই অদু ফাবা ঙমখিবনি। দ্রগকা কোন্না ফারবা মীওই অদুদি, মিনারঞ্জন বেগম (৩২), মপুরোইবগী মিং কয়ামুদ্দিন লিলোং লিতান মখোঙদগীনি। মঙোন্দগী নম্বর ফোর গ্রাম ৮, দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট পিছ ১৩৪ ফাগৎখি। ফাগৎলবা মিনারঞ্জন দ্রগশিং অদুগা লোয়ননা পুলিসতা শিন্নখ্রে।

থা অসিগী ১২ দা ওল লিলোং এন্টি দ্রগ এসোসিএসনগী দ্রাইব সেক্রেটরি অবিব হুসেনগী লমজিং মখাদা লিলোং বজারদা দ্রাইব চত্থবা মতমদা এম দি খুরুদিনদগী কফ সিরপ বোট্টল ৫, সোইবম ইবোবীদগী এস পি টেব্লেট পিছ ১০ ফাগৎপা ঙমখি। এস ইবোবীনা তোংলকপা এক্তিভা অসিগা কোন্ননা মখোয় অনীমক ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদুগা লোয়ননা লিলোং পুলিস ষ্টেসনদা শিননখ্রে।

মিনারঞ্জন বেগমগী য়ূমদা দ্রগ ফাবা চৎলুবদা এসোসিএসন অসিগী থৌমী সটিশ শাহদা য়োৎ পায়দুনা ফূরকখিবা মীওই তরুকলোমগী মথক্তা লিলোং পুলিস ষ্টেসননা এফ আই আর অমা লৌখৎখ্রে।

অমরোমদা, থা অসিগী ১১ গী নুংথিল পুং ৩ তাবদা লিলোং লিতান মখোঙদা ওল লিলোং এন্টি দ্রগ এসোসিএসননা শীন্দুনা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

ময়াই কাবা চীঞ্জাক্লা খুন্নাইদা পীবা চৈথেং অমসুং মসিবু থিংবদা মীয়ামগী থৌদাং হায়বা থিমদা মীফম অদু পাঙথোকখিবনি। মীফম অদুদা লমদম অদোমগী অখঙ-অহৈ কয়ানা শরুক য়াখি। মীফম অদু বারিজমা মসজিদ লিলোংগী ইমাম, কারি কয়ামুদ্দিননা প্রিসাইদ তৌখি।

মীফম অদুনা লেপ্পখিবা ৱাফমশিংদি, লিলোং এ সীগী মনুংদা লৈরিবা মসজিদ খূদিংমক্কী মুহলানা ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংবগী খোঙজং য়াওবীনবা হায়জবা, মসিদা য়াওদবা মসজিদ অদুগী রেজিষ্টর অমসুং তেংবাং ৱাকফা বোর্দনা পীবীদনবা অমসুং কক্লুবা হায়জবা, মসজিদ খূদিংমক্কী ইমাম য়াওবা মীফম অমা বারিজমা মসজিদ লিলোংদা শীনবা, চীফ মিনিষ্টর শরুক য়াহন্দুনা ৱাশক অমসুং ৱারেপ লৌমিন্নরগা হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিন্নবা লেপ্পখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# দেসামগী য়ুনিট কাউন্সিলশিং হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩(ঐচএন এস): দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)না চঙশিল্লকপা মহৈ তম্বগী কাঙলোনদা অহোংবা পুরক্লবগী শরুক অমা ওইনা ৱাইখোম মনি গার্লস কোলেজ, থৌবাল কোলেজ অমদি জি পি ৱিমেন কোলেজগী য়ুনিট কাউন্সিলশিং হাংদোকখ্রে।

দেসাম হেদ ওফিসকী সেক্রেটরি পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ৱাইখোম মনি গার্লস কোলেজ, থৌবাল কোলেজ অমদি জি পি ৱিমেন কোলেজগী মহৈরোয়শিংগা ফম্মিন্নদুনা খন্ন-নৈনবগী মীফম পাঙথোকখ্রে। মীফমশিং অসিগী শরুক অমা ওইনা মায়কৈ অদোমগী মহৈ-মশিন তম্বগী কাঙলোনদা হেন্না খুমাঙ চাউশিনবা পুরক্লবা অমদি মহৈরোয় লূপশিংবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগীদমক কোলেজশিং অদুগী য়ুনিট কাউন্সিল হাংদোকখি।

দেসাম ৱাইখোম মনি গার্লস কোলেজগী থৌ পুনবগীদমক খনখ্রবশিং অদুদি, প্রসিদেন্টতা সী ঐচ নির্মালা, ভাইস প্রসিদেন্টতা লিন্থোইঙামবী চনু, সেক্রেটরি জেনরেলদা কে ঐচ রাধাপিয়ারি, পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা সেক্রেটরিদা ত্রিভেনি, এদ্যুকেসন এন্দ একাদেমিক এফ্যের্স সেক্রেটরিদা লক্ষ্মী লাইশ্রমনি।

দেসাম থৌবাল কোলেজ য়ুনিট কাউন্সিলগী থৌ পুনবগীদমক খল্লবশিং অদুদি, প্রসিদেন্টতা থোঙাম সমন, ভাইস প্রসিদেন্টতা তখেল্লম্বম মিলন, সেক্রেটরি জেনরেলদা ৱাই বঙ্কর, পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা সেক্রেটরিদা জোঙ্গন মাইবম, এদ্যুকেসন এন্দ একাদেমিক এফ্যের্স সেক্রেটরিদা সনাতোম্বা নিংথৌজানি।

দেসাম জি পি ৱিমেন কোলেজ য়ুনিট কাউন্সিলগী থৌ পুনবা খনখ্রবশিং অদুদি, প্রসিদেন্টতা এস দেবলা, ভাইস প্রসিদেন্টতা এন দেবিয়া, সেক্রেটরি জেনরেলদা কে রাধা, সেক্রেটিরি পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দাদা এ রেবিকা, এদ্যুকেসন এন্দ একাদেমিক এফ্যের্স সেক্রেটরিদা পি ঐচ ইলিজাবেথনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# মহৈলোইশঙ খরদি ঙানু, য়েন য়োকফম ওইরম্বা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর মশামক্লা থেংনখ্রে : লিপুল

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩(ঐচ এন এস): লৈঙাক্কী লোইশঙ খরদি ঙানু, য়েন য়োকফম ওইরম্বা কয়া এদ্যুকেসন মিনিষ্টর মশামক্লা থেংনখ্রে হায়না লিলোং পোলিটিকেল য়ুনিফাইদ লিঙ্ক (লিপুল)গী জেনরেল সেক্রেটরি এম এ রহিমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মিনিষ্টরগী য়েংশিন খোঙচৎ অসিনা মরম ওইরগা মতম শাংনা মশা-মশাগী ওইজবা থিদুনা হিংলম্বা ওজা কয়া মহৈরোয় অমত্তা লৈত্রবা মশা-মশাগী স্কুলশিংদা লাক্তুনা ফল্লবা ঙসিদি মীয়াম্না উনরে। অসিগুম্বা মখলগী ওজাশিংনা থৌদাং লৌরিবা লৈঙাক্কী স্কুলগী নাক-য়েৎতা লৈরিবা লায়রবা মমা-মপাশিংনা ৱানা মচাশিংবু মাঙহন্নীংদবদগী প্রাইভেট স্কুলশিংদা মিং চন্দুনা মহৈ তমহনখ্রে। লৈঙাক্কী স্কুলশিংনা লাইরিক তমদ্রবনিনা প্রাইভেট স্কুলশিংদসু মিং চনবা ঙমদবা শেন্থোক লৈজদবা মমা-মপা কয়াগী মচাশিং লাইরিক তম্বা তোকখিবা কয়া অমসু লমদমসিদা লৈতবা নত্তে।

অমরোমদা, লৈঙাক্কী ওজাশিংবু য়েংশিন্নবা লৈরিবা ওঠোরিটিশিং হায়বদি দি আই, জেদ ঈ ও অমসুং দিরেক্টরনচিংবা কয়ানা মতম শাংনা মখোয়গী মথৌদা থৌশা-ৱাশাদনা লৈরুরবসু ঙসিদি এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগী অশানবা মীৎয়েংদা মথৌ মশক খঙলকপগা লোয়ননা মখোয়গী মখাদা লৈরিবা ওজাশিংসু মহৈরোয় অমত্তা লৈত্রবা ফাওবা মশা-মশাগী স্কুলদা ফমদবা য়ারক্ত্রে।

ওজা ১৪/১৫ লৈবা স্কুল কয়া মহৈরোয় অমত্তা য়াওদনা ওজা ঙাক্তগা ফম্বা উরি। ফীভমশিংসি মতৌ করম্না ওইরকখিবনো হায়বদু ওজাশিং অদুনা খন্থবা ঙল্লমগদ্রা হায়বসি অউবশিংদা অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা লিলোং এ সীদা লৈরিবা স্কুল খরদা লিপুলগী থৌমীশিংনা হকথেংননা চৎতুনা শেন্থোক লৈজদবা মমা-মপাশিংগী মচাশিংবু মহৈ-মশিন তম্বীনবা স্কুলশিং অদুগী ওজাশিংদা তৎতনা হায়জদুনা লাকখিবনি। তুংগী মীরোলগীদমক খল্লগা ওজাশিং অদুনা লিপুলনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংদা থৌদাং লৌবীবগী মহুৎতা শীংনদুনা লৈখিবদগী মরী লৈনবা খূদিংমক্তা ৱাকৎতুনা লাকখিবনি।

মতাং অসিদা পনবা য়াবদি, লৈঙাক্কী মহৈলোইশঙশিংগী ফীভম ফগৎলক্লবা লিপুলনা চঙশিনখিবা খোঙজংদা ওজা খরনা লমহেনবা অঙাং নেল্লগা লিপুলগী থৌমীশিংবু ফূননবা থৌরাংখিবা অঙকপা লাল্লোংশিং অদুনি।

মণিপুরদা বি জে পিগী লৈঙাক লাকপদগী লৈঙাক অসিদা য়াওরিবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা তেল্লবা থা মঙাগী মতমদা লায়রবা মীয়াম্না পামজরম্বা থবক থৌরম কয়া থবক ওইনা ওন্থোকখ্রে। মশা-মশাগী শিনফম কাউথোক্লুরবা ওজা কয়া মথৌ মশক খঙবা হৌরক্লে। মহাক্কুম্বা মীশক অমনা চহী ১৫গী মমাঙদগী দিপার্টমেন্ট অসিগী থৌ পুরক্লবদি শেন্থোক লৈজদবা মমা-মপাশিংনা মচাশিংবু প্রাইভেট স্কুলশিংদা মহৈ তমহনবগী চাওরবা পোৎলুম অমা ওইরিবসি ওইরক্লোই।

লিলোং এ সীদা চহী কয়া ৱারক-ৱাতেম্বা ঙল্লক্ত্রবা ওজা কয়া এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগী য়েংশিন খোঙচৎ অমনা মীকপ থোকহনবা ঙম্বা হায়বসি লিলোং এ সীদা লৈরিবা মীয়ামগী মহুৎ শিল্লগা তরাম্না ওকপগা লোয়ননা তৌবীমল খঙবা উৎলি। লৈঙাক্কী স্কুলদা ওজা ওইরিবশিংনা মহৈরোয় লৈত্রবসু মশা-মশাগী স্কুলদা ফম্বা হৌরবনি। মখোয়গী মচাশিংবু প্রাইভেট স্কুলদা মিং চনবগী মহুৎতা মশা-মশাগী স্কুলদা মহৈ-তমহনবা হৌরবদি ওজাশিংনা মহৈরোয় লৈতবগী ইকায়বদু খরমখৈদি শাফগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# রোহিনজাশিং চঙলক্তনবগী খোঙথাং হেন্না কনশিনগদবনি : কে এস এ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩(ঐচ এন এস): লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা রোহিনজা-শিংবু চঙলক্তনবগী খোঙথাং হেন্না কনশিনগদবনি হায়না কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ)গী সেক্রেটরি পব্লিসিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মীতোপ্পা লাকশিল্লক্লিবা এসেম্লি কন্সটিট্যু-য়েন্সি ৮ দগী হৌরগা কংলৈপাক্কী এ সী খূদিংমক য়েলহৌমীগী রিজার্ব তৌগদবনি অমদি ইলেক্টোরেল রোলদগী মীতোপ মীয়ানচাগী মিং লৌথোক্কদবনি হায়বা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লক্লি। খোঙজং চঙশিল্লিঙৈ চৈরক্তা হৌজিক য়ূমলোন্নরিবা লৈঙাক বর্ম্মদা থোক্লিবা রোহিনজাশিংগী প্রোব্লেম অসিনা মরম ওইরগা রোহিনজাশিংবু লমদমসিদা চঙশিল্লক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে।

চঙশিল্লকপা য়ারিবা মীতোপশিং থিংনবা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমদি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা হোৎনগদবনি। পূকচেল চাওরিবনি হায়দুনা লমদমসিদা চঙশিল্লকপা মীতোপ কয়াবু চঙজফম পীরুবদগী ঙসিদি ফম্বা চল্লগা হিপ্পা চল্লি হায়বগী মতাগুম তপ্পা-তপ্পা ঐখোয়বু লাকহৎলক্লি। ঙসিদি চঙশিল্লক্লিবা মীতোপশিংনা ঐখোয়গী লৈঙাক চুপ্পি ফাওবা পায়বা হৌরক্লবনি। লুরবা তানফম অসিদা রোহিনজাশিং অমদি মীতোপ অমত্তা চঙজফম পীফম থোক্তে। ফোরেন্নর এক্ট লৈনা-লৈনা করম্না মীতোপশিং চঙজফম পীগদৌরিবনো।

কুমজা ১৯৫১গী য়ু এনগী রেফ্যুজী কনভেন্সন অমদি কুমজা ১৯৬৭ গী প্রোটোকোল ইন্দিয়াদা চৎনবগী ৱাফম লৈতে। করিগুম্বা লৈরল্লবা ফাওবা কংলৈপাক্কী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা মসিগী চন্নফম লৈতে। মরুওইনা রোহিনজাশিং অসি ঐখোয়গী করিগুম্বা মতম অমদা লাঞ্জেন্নখিবা কংলৈচা অমা ওইবসু নত্তে। মখোয়গী লাঞ্জেন্নবগী ফীভম অসি করিগুম্বা নেচরেল দিজাষ্টরগুম্বা অমনা থোকহল্লকপসু নত্তে হায়বসি খন্নবা নৈনবা চুমগনি।

নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াদা অমদি মালেমগী মফমশিংদা থোক্লিবা রেফ্যুজীশিংগী প্রোব্লেম অসিসু কাউথোক্তুনা চৎপা য়ারোই। ইন্দিয়াদা তিনখিবদগী তম্বা ঙমদবা ফীভম অমদা লৈরিবা কংলৈপাক্তা রোহিনজাশিং চঙজফম পীবা নৎত্রগা পীদবগী খন্নদ্রিঙৈদা মখোয়বু থাইলেন্দ, মালেসিয়া, ইন্দোনোসিয়ানচিংবা লৈবাকশিংনা করিগী চঙজফম পীদ্রিবনো হায়বদু খন্নবা চুমগনি। রোহিনজাশিংগী ইস্যু অসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা খূৎ থিংজিনফম থোক্তে হায়না লৌই।

অমরোমদা, লমদম অসিগী পুৱারীগী তাঙ্কক অমদা হায়বদি কুমজা ১৯৭১গী বাংলাদেশ লিবরেসন ৱারদা চেল্লকখিবা রেফ্যুজী কয়ামরুম লমদমসিদগী হন্দনা লমদমসিগী মফম কয়াদা খুন্দারি হায়বসি পূম্নমক্লা খঙনরবা ৱাফম অমনি। মরম অসিনা ঙসিগী লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা রোহিনজাশিং চঙলক্তনবগী খোঙথাং হেন্না কনশিনগদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# পঞ্চায়ট মীখলদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক পীজরগা ভোট খোম্বীগনু : লূপ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩(ঐচএন এস): পঞ্চায়ট মীখলগা মরী লৈননা মীয়ামগীদমক থবক তৌগনি হায়না চোংথোরক্লিবা কেন্দিদেটশিংনা ভোট খোম্বদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক, য়ু, গুলিনচিংবা পীজরগা ভোট খোম্বীগনু হায়না নোংপোক লৈঙাক অপূনবা নুপী লূপকী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, য়াম্না ঈংনা-চিক্লা মীখল পাঙথোক্লবা হোৎনবীয়ু। মীখলগী মীংদা ঈথক-ঈরাং তৌদুনা চাকচা-হৈজানবা তৌবীগনু। হৌজিক মণিপুর অসি অসুক্কী মতিক ৱারবা অমদি লুরবা তাঞ্জা অমনি। খোঙফম অমা শোয়খিবদা লৈবাক ৱাথোক ওইগদৌরিবনি। মীৎ-না শিংনা লৈগদবা মতম অসিদা ভোটকী মীংদা নুংশিবা শাদুনা মীচম মীয়াম্বু লান্না লমজিংনবা হোৎনবা অমদি ইনখৎলক্লিবা নহা কয়াদা য়ুনচিংবা পীথকপা অমদি অপাম্বশিং পীজদুনা তৌনিংবতা তৌহনবা য়ারোই। মীচম মীয়াম্বু উৎ চাইবা তৌশিন্নবগী লাংদা থুদনবা মীয়াম্নসু চেকশিন্না লৈবীয়ু। লৈবাক্কীদমক কত্থোক্লবা মৈরা পায়বী ইমা-ইবেল, ক্লব অমসুং সিভিল সোসাইটিশিংনা অসিগুম্বা থবক অসি য়াদে হায়না অথিংবা থমগদবনি।

লৈকায়-লৈকায়দা লৈরিবা মৈরা পায়বী, ক্লবশিংনা অফবা পাউতাক পীদুনা ৱাখল তাহনবীয়ু। মীয়ামগীদমক থবক তৌগে হায়না চোংথোরকপা কেন্দিদেটশিংনা ভোট কানবা হোৎন-বদা অরৈবা শেল পীথোকপা পাম্মুদবা, শেল থাদরকপদা মীয়াম্না কল্লকপীগনু, ভোটতা শেল য়েনবীগনু, মীয়াম্নসু শেলদা ঙাওবীগনু। শেল তিংহন্দনা ভোট তৌরবদি মীয়ামগী খল্লক্কনি। অচুম্বা অশেংবা তৌদুনা শোত্থরবা ইরমদমবু অচুম্বা লম্বীদা পুরক্লবা হোৎনবদা মীয়ামগী মতেং চঙই। ৱাফম অসিবু থৌওইদনা তৌরকপা অমদি শীংনরকপা খূদিংমক চপ চানা থেংনগনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

# হৈরোক হায়র সেকেন্দরি য়ুনিট হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩(ঐচ এন এস): মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) হেদ ওফিসকী এসিষ্টেন্ট ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি ঐচ ভুমেশ্বরি অমদি এম এফ এস থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগা লোয়ননা হৈরোক হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী য়ুনিট অমা স্কুলদুমক্তা স্কুল অদুগী মহৈরোয়শিংগা পূন্না ফম্মিন্নদুনা হাংদোকপগা লোয়ননা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে হায়না এম এস এফ হেদ ওফিসকী এসিষ্টেন্ট ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, স্কুল অদুদা য়ুনিট হাংবগী মরমদি, ঐখোয় লাইরিক নীংথিনা তমসি হায়বা একাদেমিক কেম্প্যেনবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎনবা অমদি মতিং লৈবা মহৈরোয় খুন্নাই অমা পুরক্লবগীদমক হাংদোকপনি। য়ুনিয়ন অসিগী থৌ পুগদবশিং অদুদি, প্রসিদেন্টতা জোন লাইশ্রম, ৱার্কিং প্রসিদেন্টতা নন্দিবালা, জেনরেল সেক্রেটরিনা বিজিয়া, জোইন্ট সেক্রেটরিদা সনাথোই, ফাইনান্স সেক্রেটরিদা নরেশ, এসিষ্টেন্ট ফাইনান্স সেক্রেটরিদা সুনিতা, পব্লিসিটি সেক্রেটরিদা অতেনচা, এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরিদা রোশনি, ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরিদা মালেমঙানবা, এসিষ্টেন্ট ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরিদা বিদ্যশ্বরি, ৱিমেন এফ্যের্সতা প্রিয়া, এসিষ্টেন্ট ৱিমেন এফ্যের্সতা সনাথোইনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# পি এম এফ বি ৱাই খারিফ ক্রোপ মণিপুরদদি পায়খৎপীদ্রে : এসোসিএসন

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩(ঐচএন এস): প্রধান মন্ত্রি ফসল ভিমা যোজনা (পি এম এফ বি ৱাই) খারিফ ক্রোপ ২০১৭ মণিপুরদদি পায়খৎপীদ্রে হায়না ওল মণিপুর প্রোগ্রেসিব ফার্মরস এসোসিএসনগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি মঙ্গিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মণিপুরদা চহীগী পায়খৎতুনা লাক্লিবা নেসনল এগ্রিকলচর ইন্স্যুরেন্স স্কিম/নেসনল ক্রোপ ইন্স্যুরেন্স প্রোগ্রাম অসি কুমজা ২০১৬ তগী পি এম এফ বি ৱাই হায়না পায়খৎপা হৌখ্রবনি। স্কিম অসিনা রবি অমসুং খারিফ মতমগী ফূদ ক্রোপ, ওইল সীদ অমদি হোর্টিকলচর ক্রোপশিংবু অমাঙ-অতা থোরকপদগী খরদং ওইরবসু মহৈ-মরোং অসিবু থারিবা লৌমীশিংগী শেলমাঙ কুপখৎপা ঙম্নবা হায়দুনা থারিবা মহৈ-মরোং অদুগী তোঙান-তোঙানবা তাঙ্ককশিং খায়দোক্তুনা মতেং পাংনবা স্কিম অমা ওইরি।

লৌমীশিংনা প্রেমিয়ম থীদুনা য়াওরিবা স্কিম অসিনা লৌমীশিংনা থাজবা ফৌ, হঙ্গাম অসিনচিংবা কয়া অসিনা লোক্ত্রিঙৈদা থোক্লকপা অমাঙ-অতা কয়াবু স্কিম অসিনা খরদং ওইরবসু মেনখৎপীরম্মী। অদুবু খ্বাইদগী হেন্না লৌমীশিংনা ঈশিং ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লবনা লৌউ-শিংউদা হায়নিংঙাই লৈতনা অৱাবা পীরিবা কুম অসিদা খারিফ লৌরোক্তদি ইন্স্যুরেন্স স্কিম অসি পায়খৎপীদ্রে। ইন্স্যুরেন্সনা পীগদবা কান্নবা অদু লৌমীশিংনা ফংবা ঙল্লরোই। মরী লৈনবশিংনা স্কিম অসি পায়খৎতবগী মরম লৌমীশিংদা খঙহনবীয়ু। রবি সিজনদদি শুংশোয় শোয়দনা পায়খৎতুনা লৌমীশিংদা ইন্স্যুরেন্সকী কান্নবা ফংহনবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# ও বি সী স্কোলারশিপকী ফোর্ম থাজিনবগী মতম শাংদোকপীনবা তকশিনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩(ঐচ এন এস): প্রি মেট্রিক অমদি পোষ্ট মেট্রিক স্কোলারশিপকী ফোর্ম থাজিনবগী মতম শাংদোকপীয়ু হায়না ওল মণিপুর অদর বেকৱার্দ ক্লাসেস ৱেলফ্যের এসোসিএসন মণিপুরগী মায়কৈদগী এম ও বি সীগী দিরেক্টরদা চেরোল অমা পীশিন্দুনা তকশিনখ্রে।

ওল মণিপুর অদর বেকৱার্দ ক্লাসেস ৱেলফ্যের এসোসিএসন মণিপুরগী প্রসিদেন্টনা খূৎয়েক পীদুনা এম ও বি সীগী দিরেক্টরদা পীশিনখিবা চেরোল অদুদা পল্লিবা ৱাফমশিংদি, মণিপুরগী মনুং অমসুং মপান্দা তল্লিবা স্কুল কোলেজশিংদা কুমজা ২০১৭-১৮ গী ওইনা ও বি সী মহৈরোয়শিংগী মেট্রিক অমদি পোষ্ট মেট্রিক স্কোলারশিপকী এপ্লিকেসন ফোর্ম থাজিনবগী মতম থা অসিগী ৬ ফাওবদা পীশিন্নবা এম ও বি সীনা নোটিফিকেসন অমা থোকখ্রে।

অমরোমদা, মাইনোরিটি স্কোলারশিপকী ওইনদি স্কোলারশিপকী ফোর্ম পীশিনবগী মতম অসি থা অসিগী ৩১ ফাওবা শাংদোকখ্রে। ও বি সী স্কোলারশিপ স্কিম অসিগীদমক ফোর্ম থাজিনবগী মতম অসি শাংদোকপীয়ু। মাইনোরিটি স্কোলারশিপকী ওইনসু ফোর্ম সবমিসন তৌবগী মতম শাংদোকখ্রে। মহৈরোয় অমনা ও বি সী সর্টিফিকেট মরী লৈনবা ওঠোরিটিদগী লৌনবা হোৎনবা হায়বসি অরায়বা ওইদে। তোঙান-তোঙানবা দোক্যুমেন্ট কয়া অমসু চঙই। পট্টা, ইলেক্ট্রিসিটি টেক্স, ভোটর লিষ্ট, এজ প্রুফ সর্টিফিকেট, অহল-লমনশিংগী ইনকম, য়াওনা তোঙান-তোঙানবা সর্টিফিকেট কয়া য়াওই। অসিগুম্বা কয়া অসি তান্ননবা হোৎনবদা মহৈরোয়শিংনা খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরিবনি।

কুমজা ২০১৭-১৮ গী মাইনোরিটি স্কোলারশিপকী ফোর্ম থাজিনবগী মতম শাংদোকখিবা অদুগুম্না ও বি সী স্কোলারশিপকী ওইনসু মতম শাংদোকপীয়ু। ও বি সী স্কোলারশিপকী ফোর্ম সবমিসনগী মতম অসি থা অসিগী ৩১ ফাওবা শাংদোকপীয়ু। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা ও বি সী মহৈরোয়শিংনা স্কোলারশিপ লৌননবা হোৎনবদা খূদোংচানবা হোৎনবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# অৱাবা ফোঙবগী মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩(ঐচএন এস): মণিপুর লৌমী লূপকী প্রসিদেন্ট অমসুং এম এল এ ওইরম্বা খুন্দোংবম জুগেশোর অৱাং পোৎশংবমদা লৈবনা খঙহৌদনা মশাগী অনাবা অমদগী ঙরাং অঙনবা অয়ূক্তগা লৈখিদবদা মণিপুর লৌমী লূপকী ওফিসতা অৱাবা ফোঙবগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর লৌমী লূপকী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুর লৌমী লূপকী এগজিক্যুটিব কম্মিটি মেম্বরশিংনা শরুক য়াদুনা অৱাবা ফোঙবগী মীফম অদু পাঙথোকখি। মীফম অদুদা মণিপুর লৌমী লূপকী প্রসিদেন্ট সিংহজিৎনা থৌরম মপূ ওইখি।

লৈখিদ্রবা খুন্দোংবম জুগেশোর মশাগী চহী ৮৭ শুখ্রে। অৱাবা ফোঙবগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা লৈখিদ্রবা জুগেশোরনা তৌরম্বা থবক থৌরম কয়াবু শীংথাদুনা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখি। লৌমী অমসুং শিন্নীশিংগী লুচিংদুনা থবক থৌরম কয়া মাঙজিল থানা চঙশিন-খিবা লুচিংবা অমনি হায়না মীফমদুদা ফোঙদোক্লখি হায়নসু মখা তারি।